**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-06-2026)**

**যোগ ঃ** ১২ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন ঙসি মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমদি- অহল ওইশিল্লক্লবা ফাওবদা হকচাং ফনা লৈনবা যোগ হায়বসিনি।

রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভল্লা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা লুচিংদুনা যোগা আশানাশিং পাঙথোকখি। তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীয়াম হুপা যোগ শান্নদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মশা মউ ফবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম অদু মপুং ফাহন্নবা হোৎনরসি। মালেমগী লৈবাক ১২৭ তা পাক শন্না শান্নরিবা যোগ অসি হৌজিক্তি ওলিম্পিক গেমসতা য়াওবা ঙমলে। মরম অদুনা, যোগাবু নীংথিনা য়োকখৎতুনা শান্নমীন্নরসি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, এম.এল.এশিং অমসুং রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরিসু শরুক য়াখি। মীয়ামা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা কোলকাতাদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরমগী লাইভ ষ্ট্রিমিংসু য়েংখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু মালেমগী যোগ নুমিৎকী পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী লোক ভবনদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, ফার্ষ্ট লেদি, ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফশিংনানা শরুক য়াখি।

ক্রিদা ভারত্তি মনিপুর অমদি মনিপুর সেভা সমিতি অনিনা পুন্না শিন্দুনা

ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোঞ্চেং লৈকাইদা লৈবা ভাসকারা প্রভাদা পাঙথোকখিবা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরমদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা শরুক য়াখি।

ইম্ফালদা লৈবা বি.জে.পি ওফিস, মণিপুর স্কুল ওফ যোগ কোন্থৌজম, মহিলা পতাঞ্জলি যোগ সমিতি মণিপুর, ভারত স্বাভিমান ট্রষ্ট পতাঞ্জলি যোগ সমিতি, মহিলা পতাঞ্জলি যোগ সমিতি, হায় কোর্ট ওফ মনিপুর, য়ুবা ভারত অমসুং পতাঞ্জলি কিসন সেবা সমিতি মণিপুর, হাই কোর্ট ওফ মণিপুর, দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতি-চান্দেল, বিদ্যা ভারত্তি শিক্সা বিকাশ সমিটি-মনিপুর, সাই-নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর-তাকয়েলপাৎ ইম্ফাল, মনিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউদস এন্দ গাইদস, ব্রিক ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টনচিংবা লুপ কয়ানসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

পাঙ্গৈদা লৈবা মনিপুর পুলিস ত্রেন্নিং কলেজদসু মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি।

অকাশবানি ইম্ফালদসু ষ্টেসন অসিগী কর্ম্মচারিশিংনা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি।

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিস ইম্ফাল অমসুং প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা পুন্না শিনদুনা ঙসি পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

সি.বি.সি, ফিল্ড ওফিস-চান্দেলনা শিনদুনা মালেমগ যোগ নুমিৎ থৌরম চন্দ্রোপোটো ভিলেজতা পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনসু ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

জিরিবামদসু ১২ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎকী পালন থৌরম দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা শিন্দুনা আর.কে. সনাতোম্বী বিদ্যালয়গী হোলদা

পাঙথোকখি।

যোগসনা স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট যোগ ট্রেন্নিং এন্দ রিছার্স এসোসিয়েসন-ককচিংনসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

**ডেঃ** ১২ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরম প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা কোলকাতাগী রেড রোডতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-যোগ অসি শুপগী হকচাং শাজেল অমখক নত্তে, মসিগী অককবা চহি লৈতে, যোগনা পুকিং ৱাখল অমদি হকচাং থোং মান্ননা থন্বা ঙমহল্লি অমসুং ৱাখল নুংঙাইহন্দুনা হকচাং ফনা লৈহনবদা চাউনা মতেং পাংলি। ঐখোয়না যোগ অসি অককবা মতম খরা খক্তদা পাঙথোকপগী মহুৎতা ঐখোয়গী পুন্সিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইহনগদবনি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

**প্রসিদেন্ট ঃ** মধ্য প্রদেশতা রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী মালেমগী যোগ নুমিৎকী পালন থৌরমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি ম্রমু, রাজ্যপাল মঙ্গুভাই পাতেল অমসুং মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মোহন যাদবনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- যোগ হায়বসি লৈবাক অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা মরুওইবা চৎন লোনচৎপু পালন তৌবনি। যোগনা মীওইববু মশা মউ ফনা লৈহন্দুনা হিংবগী মহাও থোকহল্লি। মহাকা হায়-যোগ হায়বসি ভারতকী মুনি রিসিশিংনা চহি লিশিং কয়া হোৎনজরকপগী মহয়নি।

**ডে (এল)ঃ** রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেননা মনিপুর অসি পীকচরবসু ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থন্বীরন্বা ইনাক খুল্লবা নাৎ-চৎনবীশিং অসিগীদমক চাউথোকচবা ফংলি।

আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা ভগ্যচান্দ্র ওপন ইয়ার থিয়েতরদা ঙসি

পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ম্যুজিক ডে অমসুং ভগ্যচান্দ্র ওপন ইয়ার থিয়েতর লিংখৎখিবগী চহি ৩০ শুরকপা কুমওন থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-মালেম শিনবা থুংবদা ফাওরিবা ঐখোয়গী কালা সংস্কৃত্তি অসি নীংথিনা য়োকখৎনবা মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে। মতম অমদা কালা সংস্কৃত্তিগী লমদা থোইদোকা শকখঙনরম্বা রাজ্য অসি ঙসিদি পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মফম ওইনা শকখঙনরকপা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা ঐখোয়গী নাৎ চৎনবী ঙাক শেন্দুনা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু শ্রী লোকেননা তকশিনখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেবাংগী মখাদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা নেসনেল এৱার্ড ফংল্লক্লবা আর্টিষ্ট ২৮ দা শেন্থং পীথখি। থৌরমদুদা শ্রীশ্রী বালমুকন্দা দেব ম্যুজিক কলেজগী বদ্যা বিশারটতা মকোক তাখ্রবা-রুসল তোনজমদা সনাগী মেদল পীখি।

এম.এল.এ. রাম মুইভা অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার-গ্যান প্রকাশ শরুক য়াখিবা থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**নিট (এল)ঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না লৌবা অমুক হন্না পাঙথোকপা নিট-য়ু.জি. পরিক্ষা ঙসি মনিপুরদসু পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল সেন টরগী ওইনা কেন্দিদেট লিশিং ৮,৩৮৩ না পরিক্ষা থাগদবদা কেন্দিদেট লিশিং ৭,২৫৬ না পরিক্ষা থাখি। কেন্দিদেট লিশিং ১,১২৭ তি পরিক্ষা থাবা লাকখিদে।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু ঙসি নিট পরিক্ষা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। পরিক্ষা অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা চুরাচান্দপুরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার অমসুং জিলা থাক্কী ওফিসারশিংনা পরিক্ষা পাঙথোকফম-চুরাচান্দপুর কলেজতা চৎতুনা

য়েংশিনখি।

**এদভাইজরি (এল)ঃ** কুমগী নোং চুরকপা মতম অসিদা সেনাপতি জিলাগী মনুংদা লৈবা তুরেল অমদি লোক্কী ঈচেলশিংগী মনাক নকনা চংদনবা হায়রি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-বারুন কুমার এসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-নোং চুবা মতম ওইবনা খঙহৌদনা ঈশিং চাউবা, তুরেলগী তোর্বান নিংখায়বা অমদি চিং নিংখায়বনচিংবা থোরকপা মতমদা মীয়ামদা অশোক অপন থোক্তনবগীদমক পাব্লিক এদভাইজরি অসি থোকপনি।

**চহি ১২ (এল)ঃ** কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকারনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা 'লাখপতি দিদি' হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা সঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসিদা মোনিটরিং এন্দ ইভালুএসন, ইন্সটিট্যুসন এন্দ কেপাসিতি বিল্ডিংগী ষ্টেট মিসন মেনেজের, গুরুময়ুম কবিতা দেবীগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর-ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম তাবা ফংবিগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-জহাজ শাবগী লমদা ভারতনা অনৌবা খোঙথাং অমা থাংজিনবা ঙমলে।

কোলকাতাদা ভারত নেভিগী প্লেটফোর্মশিং আই.এন.এস-দনাগীরি, আই.এন.এস. সনসোধক অমসুং আই.এন.এস- আগ্রে কম্মিসন তৌরদুনা শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাং কয়া শেমদোক শেমজিন তৌরে। জহাজ অহুম অসি কম্মিসন তৌখিবা অসিনা ঈশিংগী লমদা লৈবাক অসিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি

হেনগৎহল্লগনি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা সরকারনা মেরিটাইম সেক্তরবু লৈবাক অসি চাউখৎনবগী ইঞ্জিন অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মসিনা মীওই লাখ কয়াদা থবক ফংহনবা ঙমলে। লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং পুথোকপদা নত্তনা অতৈ পোৎলমশিং মপান লমদা থাদোকপগী চাংসু নীংথিনা হেনগৎহনবা ঙমলে। মহাকা হায়-২০১৪ ফাওবদা ভারতনা লুপা কোতি ৭০০ লোমগী ঙাকশেলগী পোৎলমশিং মপান লমদা থাদোকপা ঙমখি। অদুবু, হৌজিক্তি লুপা কোতি ৪০ রোম হেনগৎহনবা ঙমলে।

**ব্রিক্সঃ** ১১ শুবা ব্রিক্স ইনর্জি মন্ত্রিশিংগী মীফম থা অসিগী ২৫ দগী নুমিৎ নিনি চুপা হরিয়ানাদা পাঙথোক্লগনি।

ব্রিক্স চেয়ারসিপ ২০২৬ কী মখাদা ভারতনা যুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা মরুওইবা লম অহুম-ইনর্জি সেক্যুরিতি এন্দ সসটেনেবিলিতি, ইনর্জি এক্সেস এন্দ ইক্যুতি অমসুং টেকোলোজি এন্দ ইনোভেসনগী লমদা মপুং ওইনা খন্নগনি।

মীফম অসিদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ইনর্জি মন্ত্রিশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াগনি। মখোয়না ইনর্জি সেক্যুরিতি, সসটেনেবিলিতি অমসুং ইনোভেসনগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিংসু খন্নগনি।

**রেলৱেজঃ** কেন্দ্রগী রেল অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়রি-রাজস্থানগী ঙমখৈ পরিংদা রেল নেটৱার্ক অমা শেমগৎনবা প্রোজেক্ট পায়খৎলি।

মহাকা হায়-মসিনা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মীয়ামদা রেলগাড়িদা চৎথোক চৎশিন তৌবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহনবতা নত্তনা লৈবাক্কী ঙাকশেলগী লমদসু য়ামা মরুওইবা অমা ওইরি। বিকানির রেলৱে ষ্টেসনদগী লালগর-সবরমতি রেলগাড়ি লমথারদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক শিনবা থুংবদা রেলৱেজবু মতমগা

চুন্ননা শেমগৎনবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

**টোক্কঃ** নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবগী মতাংদা আমেরিকা অমসুং ইরানগী মরক্তা সুইটজরলেন্দগী বরগেনস্তোক্তা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে। ৱারী শান্নবা অসিদা কটার অমসুং পাকিস্তাননা মতেং পাংলি।

আমেরিকাগী মীহুৎ কাংবু অদু লৈবাক অদুগী উপ রাস্ত্রপতি-জে.দি. ভেন্সনা লুচিংলি। অদুগা ইরানগী কাংবুনা অধ্যক্ষ-মোহামদ বাগর ঘালিভাফ অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি-অবাস অরাগচিনা লুচিংলি। মমাংগী চয়োলদা ফোংখিবা পোইন্ট ১৪ য়াওবা এম.ও.য়ু. অদুদা লেবানন্দ য়াওনা অতৈ মফমশিংদা নোংমৈ কাপবা লেপ্পগী ৱাফম য়াওরি।

তেহরাননা হায়-ইজরেলনা লেবানন্দদা মখা তানা এট্টেক চত্থরকপদগী ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ থিংজিল্লকপদগী মীফম অসি পাঙথোরকপনি।

**হোকিঃ** ভারতকী নুপীগী হোকি টিমনা ন্যুজিলেন্দবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা অনিশুবা এফ.আই.ঐচ. ৱিমেন্স নেসন কপ টাইতল লৌরে।

ঙসি ন্যুজিলেন্দগী ওকলেন্দদা শান্নখিবা ফাইনেলদা মনিপুরদগী গোল কিপ্পর-খারিবম বিচু দেবী অমসুং মিক্স ফিল্ডর-পুখ্রম্বম সুসিলা চনু য়াওরি। মসিগা লোয়ননা ভারতকী নুপীগী টিম এফ.আই.ঐচ. ৱিমেন্স প্রো-লিগকীদমক ক্বালিফাই ওইরে।

**বোক্সিংঃ** চেকিয়াদা পাঙথোকখিবা ৫৬ শুবা উসতি নাদ লবেম গ্রান্ট প্রিদা ভারতকী বোক্সরনা পুন্না সনাগী তকমান ৮ য়াওনা পুন্না তকমান ১২ লৌবা ঙমলে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা চেম্পিয়নসিপ অসিগী কিলোগ্রাম ৫৪ গী কেটেগোরিদা মনিপুরগী মদেংবম জাদুমনি সিংহনা ফাইনেলদা ইংলেন্দগী অব্দুল

বরটনবু পোইন্ট ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌখি।

**এঠলেটিক ঃ** চাইনাগী সাউজিংদা পাঙথোক্লিবা অনিশুবা এসিয়ান রিলে চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী নুপীগী টিমনা সনাগী তকমান লৌরে।

তমন্না, সুদেসনা, স্নেহা অমসুং সরবানিগী কাংবুনা সেকেন্দ ৪৩.৮৫ সেকেন্দদা লমজেল চেনদুনা তকমান অসি লৌবা ঙমখিবনি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী গ্রুপ (ঐচ) কী মেটচ অমদা ঙসি পুং ৯ মখায়দা তাবা মতমদা স্পেন অমসুং সাউদি অরাবিয়া শান্নগনি।

নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা বেলজিয়ম অমসুং ইরান, অয়ুক পুং ৩.৩০ দা উরুগুৱে অমসুং কেবো বরদে, অয়ুক পুং ৬ মখায় তাবা মতমদা ন্যুজিলেন্দ অমসুং ইজিপ শান্নরগনি।